**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MID DAY NEWS, 12 NOON**
**(DATE: 16-07-2024)**

**কাং (এল)ঃ** ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী থৌরম রথ যাত্র ঙসি লোয়শিল্লগনি।

কুমশি চহিগী ওইনদি রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংদুনা রথ যাত্রাগী থৌরমশিং মহৌশাগুম পাক শন্না পাঙথোকদ্রে। অদুমওইনমক, ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শাশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদদি কাং চিংবগী থৌরম হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা পাঙথোক্কনি।

শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী কাং চিংবগী থৌরমগী য়েংলগা, কাং চিংফম লম্বী পরিং অমদি মসিগী অকোইবদা অকনবা ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎলি।

**সরবানন্দাঃ** কেন্দ্রগী পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দা সোনোৱালনা নাগালেন্দদা ঈশিংগী লম্বী হেন্না ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লাউথোকখ্রে। নাগালেন্দগী চুমুকেদিমাদা ঙরাং পাঙথোকপা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়-হিজ্ জন্‌কি তুরেলবু পেসেঞ্জর অমসুং কারগো পুনবা ঈশিং লম্বী ওইনা শেমগৎলগনি।

অমরেমাদা, নাগালেন্দগী উপ মুখ্য মন্ত্রি-ৱাই. পাতোননা হায়রি-অৱাং নোংপোক লমদম অসি তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লল্লোন ইতিক তৌবগী খুদোংচাবা লৈবা মফম অমনি। মহাকা হায়-লমদম অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী অনৌবা মায়ওল কয়া য়াৎননবা নাগালেন্দগী দোয়াং তুরেলবু ৱাটরৱেজ ওইনা শিজিন্ননবসু হোৎনগদবনি।

**অমিতঃ** ন্যু দিল্লিদা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা নার্কো কোওর্দিনেসন

সেন্টরগী তরেৎশুবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওইগনি। শ্রী সাহনা নেসনেল নার্কোটিক্স হেল্প লাইন-মানস অমদি নার্কোটিক্স কন্ত্রোল ব্যুরোগী জোনেল ওফিস অমসু শ্রীনগরদা হাংদোক্কনি।

মীফম অদুদা ভারত্তা দ্রগ লল্লোনবা অমদি দ্রগপু অরানবা মওংদা শিজিন্নবা থিংনবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী এজেন্সিশিং অমনা অমবু মতেং পীনবা অমদি দ্রগ লল্লোনবগী থবক থিংনবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নরবা য়াই।

চেরোল অমদা গৃহ মন্ত্রালয়না হায়-ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু দ্রগ ফ্রি লৈবাক অমা ওইনবগী পান্দমদা নার্কো এজেন্সিশিংগী মরক্তা হেন্না মরি ফগৎহনবা, ইন্সটিট্যুসনেল ষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি মীয়ামবু নীংথিনা ভাব তাহন্নবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলবা য়াই।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মিরগী দোদা জিলাদা ঙরাং নুমিদাং টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা আর্মি ওফিসার অমা য়াওনা সেক্যুরিতিগী পার্সোনেল মঙা শোক্লে। সেক্যুরিতিগী মীওইশিং অদুনা দেসা উমংগী ধারি গোতেদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎ থোক বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা টেরোরিষ্টশিংগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলবা লান্মীগী পার্সোনেলশিং অদুগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা ডা: জিতেন্দ্রনা হায়-মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্রদা থোকখিবা থৌদোক্তা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং অশোক অপন নংখিবা অদুদা মহাকা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা পোকই। মহাকা হায়-য়েকবশিংবু মায়োকনবা ঐখোয় পুন্না অমত্তা ওইনা লেপকদবনি অমসুং কাশ্মির তম্পাক্তা শান্তি অমসুং ইং-তপ্পা ফিভম লৈহন্নবগীদমক মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনসু জম্মু কাশ্মিরগী থৌদোক্কা মরী লৈননা

ভারত লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিগা উন্নদুনা মফম অদুগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

**বিহারঃ** বিহারগী পাটনা জিলাদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা লন্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই তরুক শিরে, অতে তরেৎনা শোক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌদোক অদু পাটনা বগতিয়ারপুর ফোর লেন্দ হায়ৰেদা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমনা খামদুনা লৈবা ত্রক অমদা থোমজিনবদগী থোকখিবনি। অশোকপশিং অদু লায়কন্ননবগীদমক পাটনা মেদিকেল কলেজ হোস্পিতালদা পুখৎখি। চাকা মরি পানবা গাড়ি অদুদা তোংলকখিবা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু নাৱাদাদগী বার তমা লাকখিবনি।

**ত্রম্পঃ** আমেরিকাগী হান্নগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পপু আমেরিকাগী রাস্ত্রপতিগী মীখলদা রিপব্লিকান পার্টিগী মীরেপ ওইনবা হৌনবী মতুং ইন্না খনখ্রে। ঙরাং নুমিদাং নিলৱাউকিদা রিপব্লিকান নেসনেল কমিতি দিলিগেটশিংগী ভোট লৌনবদা মেজোরিতি ফংদুনা মহাকপু রিপব্লিকান পার্টিগী মীরেপ ওইনবা খনখিবনি। ২০১৬ কী রাস্ত্রপতিগী মীখলদা মায় পাকখিবা অমদি ২০২০ গী মীখলদনা জো বাইদেনগী মখুৎতা মায়থিখিবা অদুগী তুংদা হন্দক্কী অসিনা শ্রী ত্রম্পকী অহুমলকশুবা ওইনা রাস্ত্রপতিগী মীরেপ ওইগদৌরিবনি।

আমেরিকাগী রাস্ত্রপতিগী মীখল চহি অসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি। শ্রী ত্রম্পনা কোহিয়ো সিনেটর-জে.টি.ভান্সপু উপ রাস্ত্রপতিগী মীরেপ ওইনবা খনখ্রে। চহি ৩৯ শুরবা ভান্স অসি লান্মী অমা ওইনা হৈথোই শিংথোইরবা মীশক অমনি।

**নাইদুঃ** কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রি-কিনজারাপু রাম মোহোন নাইদুনা হায়রি-মীয়ামদা এরোপ্লেন ভারা অতাবা মমলদা অমদি লাইনা ফংহন্নবা হোৎনবা

হায়বসি সরকারগী মাংজিল থাবা থবকনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী মনুং হুনজিনবা মফমশিং ফাওবা নোংথক লম্বীনা ফাওনহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

ন্যু দিল্লিদা অনিশুবা এসিয়া পেসিফিক মিনিষ্ট্রিয়েল কনফরেন্স ২০২৪ গী করটেন রাইজর থৌরমদা ৱাং ঙাংবদা শ্রী নাইদুনা লৈবাক অসিদা সিভিল এভিয়েসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি। সরকারনা পায়খৎলিবশিং অদু পল্লদুনা মহাকা কার্বোন ফুদ প্রিন্ট হন্থহন্নবা অকোইবগী ফিভমদা শোকহনদবা টেকোলোজিশিং শিজিন্ননবা অমদি এভিয়েসন সেক্তরবু অনৌবা মায়ওন অমদা পুরকবা গ্রীন টেকোলোজিশিংদা শেল থাদনবসু হায়রি। অনিশুবা এসিয়া-পেসিফিক মিনিষ্ট্রিয়েল কনফরেন্স অসি ন্যু দিল্লিদা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ১১ অমসুং ১২ দা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অদুদা মরুওইবা এভিয়েসনগী ওর্গনাইজেসনশিং, এভিয়েসনগী লমদা হৈথোহ শিংথোইরবশিং অমদি অতৈ মরি লৈনবা মীওইশিংনা লম অসিদা হেন্না চাউখৎহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি।

**নিটঃ** নিট (য়ু.জি) গী ক্কেইসন লিগ ওইখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা রাজস্থান হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা ৱাকৎশিংগী বিচার সুপ্রিম কোর্টতা ওইনা চত্থনবা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা নৌনা ৱাকৎলকখিবা অদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নোটিশ থোকখ্রে।

চীফ জষ্টিস-দি.ৱাই. চন্দ্রচুদ, জষ্টিস-জে.বি. পরদিৱালা অমসুং জষ্টিস-মনোজ মিশ্রা য়াওবা বেঞ্চ অমনা নোটিশ অদু থোকখিবনি। অদুমওইনমক, বেঞ্চ অদুনা রাজস্থান হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা প্রোসেদিংশিং ষ্টে তৌনবা ফোরমেল ওইবা হুকুম অমদি থোকউ য়াখিদে।

**সার্ভিসঃ** ভারতনা মপান লমদা পোৎ-চৈ অমদি সার্ভিসশিং থাদোকপগী চাং জন্

থাদা চাদা ৫.৪ হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৬৫.৪৭ য়ৌবা ঙমখি।

কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রালয়গী চেরোল অমগী মতুং ইন্না-চহি অসিগী এপ্রিলদগী জ্ন ফাওবদা মপান লমদা পোৎ-চৈ থাদোকপগী চাং চাদা ৮.৬ হেনগৎতুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০.৩৩ য়ৌখি। চহি অসিগী জ্ন থাদা মপান লৈবাক্তা থাদোকখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ইঞ্জিনিয়ারিং, ইলেক্ট্রোনিক্স, দ্রগ অমসুং ফারমাসুটিকেল, কোফি অমসুং ওর্গানিক অমদি ইন-ওর্গানিক্কী হিদাক-লাংথকশিং য়াওরি।

**নোংঃ** হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা খা থংবা গুজরাটতা অকনবা নোং চুখ্রে। ঙসিসু রাজ্য অদুগী জিলা ৮ দা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

আই.এম.দিনা হায়-কোনকান, গৱা, ময়াই থংবা মহারাস্ত্রা, গুজরাট, করনাতক্কাগী সমুদ্র খোঙবান অমদি খা থংবা শরুকশিং-সৌরাস্ত্র অমসুং পুঞ্চতা ঙসি অকনবা নোং চুগনি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা রেড এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। কেরলাদসু ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরেমাদা, নোংপোক থংবা অফগানিস্তানগী নগারহর প্রোভিন্সদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই ৩৫ লৈখিদ্রে অমসুং ২৫০ রোমনা অশোক অপন নংখ্রে। অশোকপা মীগী মশিং হেনগৎলকখিবা য়ারি।

**জয়শঙ্করঃ** কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগী নুমিৎ নিনিগী মোরিসজ খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা মন্ত্রিনা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি-প্রবিন্দ জগনাউথকা উন্নগনি অমদি লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। মহাকা লৈবাক অদুগী অতৈ লুচিংবা কয়াগসু উন্নগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না শ্রী জয়শঙ্করগী খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং মোরিসজ লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি হায়রি। মন্ত্রালয়না হায়-

খোঙচৎ অসি লৈবাক অসিগী য়ুমথংনবদা অহানবদা হায়বা থৌশিলগী মখাদা চৎপনি।

**ফুটবোলঃ** এ.এফ.সি. ৱিমেন্স ফুদসাল এসিয়ান কপকী মাংওইননা জোনেল কেম্পতা শরুক য়ানবা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি।

**টেনিসঃ** স্বিদিস ওপন টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ থারতি টুগী মেটচ অমদা ঙসি ভারতকী সুমিত নগালগা সুইদেনগী ইলিয়াস মরগা থেংনরগনি। নুপাগী দবলসতা সুমিত নগাল অমসুং পোলেনগী কেরোল দিজেৱিকিগী জ্রাগা ফ্রান্সকী আলেকজেন্দ্রে বল্লর অমসুং রুকা ভেন এসচি জ্রাগা ঙসি নুমিদাং শান্নগনি।